# ব্লাদিমির পুটিননা নিংথম থাবু লানগী খুৎলায় ওইনা শীজিন্নরক্লি: নাটোগী চীফ ষ্টোলটনবর্ক

বুচারেস, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
রসিয়ন ফোর্সশিং লানফমদা লেপ্তুনা মায়থীবা নঙলকপদগী লৈবাক অসিগী প্রসিডেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা নিংথম থাবু লানগী খুৎলায় অমা ওইনা শীজিন্নরকপগা লোয়ননা নাটোগী মীচংশিংনা য়ুক্রেনবু মতেং পাঙবা হেনগৎলগনি হায়না নাটোগী সেক্রেটরি জেনরেল জেন্স ষ্টোলটনবর্কনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



নোংচুপলোমগী দিফেন্স এল্লায়ন্স অসিগী মকোক থোংবা ওফিসল অসিনা হায়খি, মদুদি সেটলাইটশিংনা লৌবা পিকচরশিংনা ঐখোয়দা য়ুরোপ ইণ্ডান ঙান্না উবা ফঙই, তৌইগুম্বসুং য়ুক্রেনদি ইমম মম্না উই। মদুনা মরম ওইদুনা য়ুক্রেনবু নৌনা শেমগৎ শাগৎনবগী অচৌবা থবক অমা ঐখোয়না মতেং পাঙদুনা পায়খৎপা মথৌ তারক্লি।

বুচারেসতা নুমিৎ নীনিগী ওইবা মীফম অমগীদমক্তা নাটোগী ফোরেন মিনিষ্টরশিং পুনখিবগা লোয়ননা ষ্টোলটনবর্কনা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি প্রসিডেন্ট পুটিননা নিংথম থাবু লানগী খুৎলায় অমা ওইনা শীজিন্নবা হোৎনরি। বুচারেসকী মীফম অদু য়ুক্রেনগী অহেনবা সপোর্ট মোবিলাইজ তৌনবগী প্লেটফোর্ম অমা ওইরগনি।

নাটোগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা এয়র দিফেন্স সিষ্টেম অমসুং এম্যুনেসনগুম্বা মিলিটরি মতেংশিং য়ুক্রেনদা পীবা হেনগৎনবগী ৱাফম খন্নগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। দিপ্লোমেটশিংনা সপ্লাই অমসুং কেপাসিটিগী ইস্যুশিং নৈনখিবগা লোয়ননা লানদা শীজিন্নবা খুৎলায় নত্তবা অতৈ মতেংশিংগী ৱাফমসু খন্নখি।

লানদা হকথেংননা শীজিন্নগদবা খুৎলায় নত্তবা অতৈ পোৎলমশিংগী মনুংদা ফ্যুএল, মেদিকেল সপ্লাই, নিংথম থাগী ওইবা ইক্কিপমেন্ট অমসুং দ্রোন জেমরশিং অসি খন্নবদা য়াওই। আইটেমশিং অসি নাটোগী এসিষ্টেন্ট পেকেজ অমগী খুথাংদা পীদুনা লাক্লবসু ষ্টোলটনবর্কনা য়ুক্রেনদা আইটেমশিং অসি হেন্না পীবগী পান্দম থল্লিবনি। ষ্টোলটনবর্ককী ৱাফম অসিবু নাটোগী অতৈ মেম্বর লৈবাকশিংনসু শৌগৎনখি। হান্নদগী লৈরক্লবা এল্লায়ন্স অসিগী মেম্বরশিংদা নত্তনা ফিন্দলেন অমসুং স্বিদেননসু য়ুক্রেনদা মতেং হেন্না পীবগী ৱাফম অসিবু শৌগৎখি।

টর্কি অমসুং হঙ্গেরিনা রেটিফাই তৌদবদগী এল্লায়ন্স অসিগী মেম্বরশিং মপুং ফানা ওইদ্রবসু লৈবাক অনী অসিনা মতম মতমগী ওইবা এল্লায়ন্স অসিগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা থবায় য়াওশিন্দুনা লাক্লি।

স্লোবাকিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর রাষ্টিস্লাব কাসরনা হায়খি, মদুদি লাক্লিবা থা খরা অসি ঐখোয় পুম্নমক্কী ওইনা অচৌবা চাংয়েং অমা ওইরগনি। য়ুক্রেনগী ওইনদি মসি হিংবা অমসুং হিংদবগী ৱাফম্নি অদুগা ঐখোয়গী ওইনা মোরেলগী ৱাফম্নি। মথৌ তারিবমখৈ ঐখোয়না য়ুক্রেনবু মখা তানা মতেং পাঙগদবনি।

য়ুক্রেনগী প্রসিডেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা য়ুক্রেনিয়নশিংদা চয়োল অসিদা রসিয়ানা ইনৌ নৌনা এটেক কয়া চথরকপা য়াই অমদি অনৌবা এটেকশিং অদু মমাঙগী চয়োলদা চথখিবদুগা মান্নবা য়াই নত্ত্রগা মদুদগী হেন্না শাথিবা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে। রসিয়ানা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা চথখিবা মিসাইল অমদি বোম্মিং এটেকশিংনা মরম ওইদুনা য়ুক্রেনগী মীওই মিলিয়ন কয়া মৈ, ঈশিং নত্ত্রগা মৈশা ফঙদনা লেল্লিবনি। য়ুক্রেনগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা এটেক তৌই হায়বা ৱাফম রসিয়ানা য়ারবসু এটেকশিং অদুগী পান্দম সিভিলিয়নশিংবু শোকহনবনি হায়বসি য়াদ্রি।

য়ুরোপকী সেনিয়র দিপ্লোমেট অমনা হায়খি, য়ুক্রেনগী ওইনদি হৎদক্কী নিংথম থা অসি য়াম্না কিনিংঙাই ওইরবা সিজন ওইগদৌরি। মরম অদুনা অৱাবা য়ারিমখৈ খাঙবা ঙম্ননবা ঐখোয় খুদিংমক্না য়ুক্রেনবু হেন্না মতেং পাঙননবা হোৎনরি। জি ৭ গী প্রসিডেন্টসু পায়রিবা জমর্নিনা য়ুক্রেনবু অহেনবা মতেং কয়া পাঙনবগী ৱাফম খন্ননবগীদমক্তা নাটোগী টোপ অসিগী নাকোয়ননা ইনাক খুল্লবা লৈবাক তরেৎকী গ্রুপকী মীফম অমসু পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি।

বর্লিননা য়ুক্রেনগী ইনর্জি ইনফ্রাষ্ট্রকচর নৌনা শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং য়াঙশিন্নবা পার্টনর লৈবাকশিংদা প্রেসর পীদুনা লাক্লিবনি। ৱাশিংতন্নসু রসিয়াগী মিসাইল ষ্ট্রাইকশিংনা মাঙহন তাহল্লবা য়ুক্রেনগী হাই-ভোল্টেজ ট্রান্সমিসন ষ্টেটশিং শেম শাদুনা অমুক হন্না মথৌ তৌহন্নবগী খুৎলায়শিং পুথোক্লবা য়ুএসকী ফার্মশিং অমসুং য়ুরোপিয়ন লৈবাকশিংগা ৱা তান্নরি।

# য়ুএসতা ফ্লুগা মরী লৈননা হোস্পিটলাইজেসনগী চাং রেকোর্ড ওইনা ৱাংলে

ৱাশিংতন, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
কুমজা ২০১০ গী মতুংদা ফ্লুগা মরী লৈননা চয়োল অমগী মনুংদা হোস্পিটলাইজেসন তৌবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংবা ওইনা য়ুএসতা পেসেন্ট ১১,২০০ হেন্না হোস্পিটলাইজ তৌখ্রে হায়বসি সেন্টর্স ফোর দিজিস কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সিদিসি) গী দেটানা উৎখ্রে।



সি দি সিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস শীন থুংনা সিজনেল ওইবা ফ্লুগী কেসশিং রেকোর্দ ওইনা ৱাংখৎলক্লে।

সিদিসিগী মতুং ইন্না নবেম্বর ১৯ না লোইখিবা চয়োলগী মনুংদা ফ্লুগা মরী লৈননা অঙাং মঙা শিখি। সিজন অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা য়ামদ্রবদা ফ্লুগী কেস মিলিয়ন ৬.২, লায়না অসিগা মরী লৈনবা হোস্পিটলাইজেসন ৫৩,০০০ অমসুং লায়না অসিনা শিহনখিবগী কেস ২০,৯০০ শুখ্রে।

সিজন অসিদা থেংনখিবা ইনফ্লুয়েঞ্জা এগী ভাইরসশিংগী মনুংদা চাদা ৭৮ দি ইনফ্লুয়েঞ্জা এ (ঐচ ৩ এন ২) অমসুং চাদা ২২ না ইনফ্লুয়েঞ্জা এ (ঐচ ১ এন ১) ওইখি। থেঙ্কস গিবিং হোলিদেগা মরী লৈননা মী পুনবদগী ফ্লু কোরোনা ভাইরস অমসুং রেস্পিরেটরি সিন্সিটিএল ভাইরস (আর এস ভি) গুম্বা ভাইরসশিং শন্দোকপগী চাং হেনগৎখি। আর এস ভি অমসুং ফ্লু অনী অসি চহী অসিগী সিজনদা খ্বাইদগী ৱাংনা শন্দোকপা থেংনখি। সি দি সিগী দিরেক্তর রোচেলি ৱেলেন্সকিনা হায়, য়ুএসকী লমদম খরদদি আর এস ভিগী মশিং তপ্না তপ্না হন্থরকপগী ফিভম অমা উবা ফঙলি। তৌইগুম্বসুং ফ্লুগী কেস মশিংদি লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। মীয়াম পুনবগী থৌদোক কয়ানা মরম ওইদুনা কোভিদ ১৯ গী কেসশিং হেনগৎলকপসু য়াই।

আর এস ভি অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা পব্লিক হেল্‌ঠ ইমাজেন্সি ওইরকপা য়াই হায়না লৈবাক অসিগী টোপ ইনফেক্সস দিজিজেস এক্সপার্ট এন্থোনি এস ফৌসিনা ৱার্নিং তৌখ্রবনি। পাউগী চেনেল অমদা ফৌসিনা হায়খি, মদুদি লৈবাক অসিগী মফম খরদা ঐখোয়না অঙাংশিংগী ওইবা হোস্পিটাল সিষ্টেম অনাবা মশিং হেনমনবনা মরম ওইদুনা থবক তৌবা ঙমদবগী ফিভম ফাওবা উবা ফঙলি।

সি দি সিনা হায়রি, মদুদি ফ্লুগী মায়োক্তা প্রোটেক্সন লৈনবগী খ্বাইদগী ফরবা পাম্বৈদি চহী খুদিংগী ফ্লু ভেক্সিন কাপ্পা অসি ওইগনি। ভেক্সিন কাপ্পা অসিনা ইনফেক্সন থিংবগা লোয়ননা লায়নাসু লুশিলহল্লোই। থা তরুক অমদি মসিদগী হেল্লবা মীওই খুদিংমক চহীগী ওইনা ফ্লু ভেক্সিন অমমম কাপথোক্লনবা সি দি সিনা রিকমেন্দ তৌরি। চহী ৫০ রোম চুপ্না সাইনি টষ্টশিংনা খ্বাইদগী খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা ফ্লু ভাইরসশিংদগী ঙাকথোক্লবা ভেক্সিন অমা পুথোক্লবা হোৎনদুনা লাক্লিবনি।

# ‘য়ুমথংনবদা অহানবা মীৎয়েং থম্বা ইন্দিয়াগী পোলিসিদা বাংলাদেশকী অখন্নবা মফম লৈ’

ধাকা, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
য়ুমথংনবদা হান্না মীৎয়েং থম্বা হায়বা ইন্দিয়াগী পোলিসিদা বাংলাদেশনা অখন্নবা মফম অমা কন্দুনা লৈ হায়না ইন্দিয়াগী প্রসিডেন্ট দ্রৌপতি মুরমুনা ফোঙদোকখ্রে।



মহাক্না ৱাফম অসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা ন্যু দিল্লিদা লৈবা রাষ্ট্রপতি ভাবনদা নৌনা এপোইন্ট তৌখিবা বাংলাদেশকী হাই কম্মিস্নার মুষ্টাফিজুর রেহমন্না প্রসিডেন্টদা মহাক্কী ক্রিদেন্সিএলশিং খঙহনখিবা মতমদা ফোঙদোকখিবনি।

ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশকী মরী অসি লোন, কলচর অমসুং পুৱারীদা য়ুম্ফম ওই অমসুং নাকল অনীমক্না থেংখাং কয়াদা কথোকমিন্নদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা তোপ তোপ্পা মওংগী মরী লিংদুনা লাক্লি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

বাংলাদেশকী এনভোই অদুবু তরাম্না ওক্লদুনা প্রসিডেন্ট মুরমুনা হায়খি, মদুদি বাংলাদেশ অসি সাউথ এসিয়াদা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা ট্রেদ পার্টনরনি। বাংলাদেশকী সেখ মুজিবুর রেহমন পোকখিবগী সেন্টনরি সেলেব্রেসন মুজিব ইয়র, বাংলাদেশকী নিংতম লানগী গোল্ডন জুব্লি অমসুং বাংলাদেশ অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা দিপ্লোমেটিক মরী লিংবা চহী ৫০ শুরকপগী সেলেব্রেসনশিং লৈবাক অনীনা পুন্না পাঙথোকখি হায়না মুরমুনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা পিএম সেখ হাসিনাগা ন্যু দিল্লিদা অমসুং মদুগী মতুংদা লন্দনদা উন্নখিবগী মতাংদসু পনখি। বাংলাদেশকী এনভোই অসিনা মহাক্কী ক্রিদেন্সিএলশিং উৎনবগী খুদোংচাবা পীবিখিবা অদুগীদমক্তা থবক্তা থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা প্রসিডেন্ট অব্দুল হামিদ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর সেখ হাসিনাগী য়াইফ পাউজেলশিংসু খঙহনখি।

মহাক্না মখা তারদুনা সেখ মুজিবুরগী লিদরশিপ মখাদা কুমজা ১৯৭১ দা পাঙথোকখিবা নিংতম লান মনুংদা ইন্দিয়ানা মোরেল অমসুং মেটরিএল সপোর্ট পীখি হায়নসু পনখি।

মহাক্না হায়, ইন্দো-বাংলাদেশ কো ওপরেসন অসি তশেংনমক ১৯৭১ গী লানফমদা হৌখিবনি। লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরী হৌজিক অদুক্কী মতিক চেৎশিন্নরে। অসিগুম্বা লৈবাক অনীগী মরী অসি য়ুমলোন্নবা লৈবাকশিংগী মরক্তা লৈনফম থোকপা মরীগী মোদেল অমনি হায়না মহাক্না শীংথাখি। লৈবাক অনীগী মরী মখা তানা চাওথোক্লবা অমদি চেৎশিলহন্নবা মহাক্লসু অঙম্বা থাক্তা হোৎনখিগনি হায়না রেহমন্না প্রসিডেন্ট মুরমুদা থাজবা পীখি।

# এক্স-আই এস আই চীফ ফাইস হামিদ থবক্তগী ঙন্না পোত্থানবগী এপ্লিকেসন থাখ্রে

ৱাৱল পিন্দি, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
পাকিস্থাননগী ইন্টর-সার্ভিসেস ইন্টলিজেন্স (আই এস আই) গী হান্নগী চীফ ফাইস হামিদ থবক্তগী ঙন্না পোত্থানবগীদমক এপ্লিকেসন ফাইল তৌখ্রে।

হৌজিক হৌজিক কোর কম্মান্দর বহৱলপুর ওইরিবা অমসুং পাকিস্থাননগী টোপ মিলিটরি ওফিসরশিংগী মনুংদা অমা ওইনা খন্নরিবা জেনরেল হামিদ অসি আর্মি চীফকী ফমগীদমক্তা জেনরেল হেদ ক্বার্টর্স জি ঐচ ক্যুনা নোমিনেট তৌখিবা সেনিয়র আর্মি ওফিসর তরুক্কী মনুংদা অমা ওইখিবনি।

হৌখিবা চয়োলদা ফম অসিগী এপোইন্টমেন্ট ফাইনেলাইস তৌখি। কোর কম্মান্দর বহৱলপুরনা ৱাৱল পিন্দিদা লৈবা জি ঐচ ক্যুদা এপ্লিকেসন অমা থাদুনা মহাকপু থবক্তগী ঙন্না পোত্থাবা য়াহনবীনবা হায়জখ্রে হায়না পাউচে খরগী রিপোর্টতা পনখি।

খোঙথাং অসি ফেদরেল গভর্ণমেন্টনা জেনরেল অসিম মুনিরবু অনৌবা চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ ওইনা খনখিবা অমসুং জেনরেল সাহির সমসট মিরজাবুনা জেইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফ কম্মিটি (সি জে সি এস সি) গী চিয়ারমেন হাপখিবা মতুং নুমিৎ খরনি কান্নরগা লাকপনি।

জিও ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি পাকিস্থান আর্মিগী চীফ ওফ জেনরেল ষ্টাফ (সি জি এস) লেফটনেন্ট জেনরেল আজর অবাসনসু থবক্তগী ঙন্না পোত্থারগে হায়না মরী লৈনবশিংদা চে পীশিন্দুনা হায়জখ্রবনি। মহাকপু সেনিয়র-মোষ্ট ওফিসরশিংগী মনুং চনখি।

ফেমিলি ছোর্স পল্লদুনা জিও ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়, পাকিস্থান আর্মিগী দিকোরেটেদ ওফিসার অমা ওইনা লেফটনেন্ট জেনরেল অজর অবাসনা মশাগী ইকায় খুম্নবা মাঙহন্দনবগীদমক থবক্তগী ঙন্না পোত্থানবা এপ্লিকেসন থাখ্রে হায়বসি কনফার্ম তৌরি। প্রোফেস্নেলিজম লিদরশিপ অমসুং অশানবা মীৎয়েং চেনবগীদমক খঙনরবা লেফটনেন্ট জেনরেল আজর অবাসনা মহাক্কী পার্সনেলিটিগা চান্ননা থবক্তগী ঙন্না পোত্থানবগীদমক মরী লৈনবা পুন্নমক্তা ফ্যেরৱেল পীননবা ৱারেপ লৌরে হায়না ছোর্স অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ন্যু য়োর্কতা নোংমৈ কাপ্তুনা মীওই কয়া হাৎখিবা এক্ক্যুজনা মশাগী মরালশিং য়াজখ্রে

ন্যু য়োর্ক, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
হৌখিবা মে ১৪ দা ন্যু য়োর্ককী বফেল্লো সিটিদা লৈবা সুপর মার্কেট অমদা কাঙলূপ নাইবা মীৎয়েংগা লোয়ননা শাথীরবা নোংমৈগী এটেক অমা চথদুনা অফ্রিকন-অমেরিকন তরা হাৎখিবা অমসুং অতৈ অহুম্লুনা শোকহনখিবা মশাগী চহী ১৯ শুরবা গনমেন পেটন জেন্দ্রননা মঙোন্দা শীরিবা মী হাৎপা অমসুং টেররিজমগী মরালশিং য়াজখ্রে।



এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি মী হাৎপা অমসুং টেররিজমগী মরাল য়াজখিবগা লোয়ননা গনমেন অসি পেরোলগী ৱাফম লৈহনবনা পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীরগনি। ন্যু য়োর্কতা শিবগী চৈরাক পীবা চৎনরক্তবদগী মহাকপু পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক অসি পীগদৌরিবনি।

হৌখিবা জুনদা গনমেন অসিনা মঙোন্দা শীরিবা মরালশিং অদু য়াখিদে। মদু গ্রান্ট জুরি অমনা মহাকপু হঙ্গোই তুক্কৎচবগী ৱাখল্লোননা লীচিং ওইদুনা টেররিজমগী থবক থৌওংশিং চথখিবা, ফার্ষ্ট দিগ্রিগী মীহাৎ চথখিবা, হেট ক্রাইম অমা ওইনা সেকেন্দ দিগ্রিগী মীহাৎ চথখিবা অমসুং হেট ক্রাইম অমা ওইনা সেকেন্দ দিগ্রিদা মী হাৎননবা হোৎনখিবা অমদি ক্রিমিনেল ওইবা মওংদা খুৎলায় পায়রম্বগী মরালশিং শীখিবনি। হঙ্গোই তুক্কৎচবগী ৱাখলনা লীচিং ওইদুনা মশাগী লৈবাক্তা টেররিজমগী থবক থৌওং কয়া চথখিবগী মরালদা ন্যু য়োর্ককী গ্রান্ট জুরি অমনা দিফেন্দন্ট অমবু অসুম্না মরাল শীবা অসি মসিনা অহানবনি হায়রি।

মহাক অহানবদা মে ১৯ দা ফার্ষ্ট-দিগ্রি মীহাৎ অমা পাঙথোকখিবগী মরাল শীখি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা চথখিবা হিয়ারিং মনুংদা জজ সুসান ইগাননা ভিক্তিমশিং অদুগী মমিংশিং পাথোকখি অমসুং জেন্দর্নদা মখোয়গী কাঙলূপ্তা য়ুম্ফম ওইরগা মহাক্না মখোয়বু হাৎখিব্রা হায়না হংখি।

জেন্দ্রননা মঙোন্দা শীরিবা মরাল খুদিংমক্তা চুম্মী হায়না পাউখুম পীখি। গনমেন অসি নোংমৈ কাপ্পগা মরী লৈননা ফেদরেল চার্জ কয়াসু মায়োক্লরি। চার্জশিং অদুগা মরী লৈননা মহাক শিবগী চৈরাক পীবসু য়াবনি হায়রি।

জেন্দ্রনগী উকিল ব্রিয়ান পার্কৱগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী মরী মতাশিং অমসুং থৌদোক অদুদা হিংহৌবা মীওইশিংনা কুমজা ২০২৩ গী ফেব্রুৱারী ১৫ দা কোর্টতা মখোয়গী অপাম্বশিং জেন্দ্রনদা ফোঙদোকপা য়াবগী খুদোংচাবা ফঙলগনি।

হৌখিবা মে ১৪ দা জেন্দ্রননা মহাক্কী ময়ুমদগী পুং ৩ লোম গাড়ী থৌদুনা বফেল্লোদা লৈবা অমুবশিংনা মশিং য়াম্বা কম্যুনিটি অমা তম্না চৎখি অমসুং বফেল্লোগী ইষ্ট সাইটতা লৈবা জেফ্রসন এভেন্যুগী টোপস ফ্রেন্দলি মার্কেটতা লৈরম্লিবা মীওইশিংদা ওনশিন্দুনা নোংমৈ কাপখিবনি।

থৌদোক অদুদা শিখিবা মীওইশিং অদু চহী ৩২ দগী ৮৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবশিং ওইখি।

# পলেষ্টিনিয়ন নুপামচা অমদা অথুম অহাও পীখিবা ডাক্তর থবক থদৎখ্রে

জেরুসালেম, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
পলেষ্টিনিয়ন নুপামচা অমদা অথুম অহাওশিং পীখি হায়বগীদমক পলেষ্টিনিয়ন ডাক্তর অমা মমিং লৈরবা ইজরেলগী হোস্পিটাল অমা ওইরিবা হদাসা মেদিকেল সেন্টরনা মফম থদৎখ্রে হায়না কুদস প্রেসকী রিপোর্টনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না পলেষ্টিনিয়ন ডাক্তর অদুনা অথুম অহাও পীখিবা পলেষ্টিনিয়ন নুপামচা অদু ইজরেলনা জেরুসালেমগী সেখ জারাদা চথখিবা রেইদ অমদা অশোক অপন নঙখি।

জেরুসালেমদা লৈবা হাদরসা হোস্পিটালনা হার্ট অমসুং লঙ্কস সর্জরিগী স্পেসেলিষ্ট অমা ওইরিবা ডাক্তর মহাজনাবু শোক্লবা পলেষ্টিনিয়ন অঙাং অহমদ অবু কুতাইসতা অথুম অহাও পীখিবগীদমক মফম থদৎখি। মশাগী চহী ১৬ শুরবা অহমদ অবু কুতাইস থা অমা হেন্না হাদাসা হোস্পিটালদা লায়কন্নদুনা লাকখি। মহাক ওক্যুপাইদ জেরুসালেমদা লৈবা সেখ জারা প্লেগ্রাউন্দগী ময়াইমক্তদা ইজরেল্লি পুলিস কাঙবু অমনা নোংমৈনা কাপখিবনি।

অঙাং কয়াগা লোইনদুনা লৈরিঙৈদা মহাকপু ইজরেল পুলিসনা নোংমৈনা কাপখিবনি। মহাক্না ইজরেল্লিশিংদা থাংনা থিন্নবা থৌরাং তৌরমখি হায়না ইজরেল্লি পুলিস কাঙবু অদুনা ক্লেম তৌখি।

হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিষ্টশিংনা প্রেস ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রি, মদাসা হোস্পিটাল অসি ওক্যুপেসন ষ্টেটনা আরব অমসুং পলেষ্টিনিয়নশিংগী মায়োক্তা কাঙলূপ নাইবগী থৌওং কয়া চথবগী মোদেল অমনি। মরু ওইনা ইজরেল্লি মেদিয়ানা ইথিল পীবদগী ডাক্তর অদুবু মফম থদৎপগী ৱারেপ অদু লৌখিবনি হায়খি।

# সলফরগা মান্নবা মনম অমা নম্লুবদগী জপানদা অঙাং ২০ হোস্পিটলাইজ তৌখ্রে

টোকিও, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
জপানগী ওসাকা প্রিফেকচরদা অঙাং ২০ মখোয়গী স্কুলদা সলফরগা মান্নবা মনম অমা নম্লুবদগী হোস্পিটলাইজ তৌখ্রে হায়না এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

ওসাকাগী টোয়োনাকা সিটিদা লৈবা ইলিমেন্টরি স্কুল অদুদা সলফরগুম্বগী মনম অমা থেংনখিবা মতুং লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ৯ হেল্লকপদা ফায়র দিপার্টমেন্টদা কোল তৌরকখি। ইমর্জেন্সি কোল অদুগী মতুং ইন্না এম্বুলেন্স অমসুং ফায়র ট্রুক তরা হেন্না স্কুল অদুদা থাখি।

সলফরগা মান্নবা মনম অদু কদায়দগী লাকপনো হায়বদু খঙদোক্লবগীদমক ফায়র ফাইটরশিং অদু স্কুলগী বিল্ডিং অদুদা চঙখি। মনম অদু থেংনবদগী মশা নুংঙাইরকখিদবা চহী ৭ তগী ১১ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং ২০ হোস্পিটালদা পুখৎখি।

# রসিয়াদা কার এক্সপোর্ট তৌনবা ইরাননা দোল্লর মিলিয়ন ৩০০ কী এম ও য়ু সাইন তৌখ্রে

টেহরান, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
ইরাননা রসিয়াদা কারশিং এক্সপোর্ট তৌননবা লৈবাক অসিদা দোল্লর মিলিয়ন ৩০০ কী ভেল্যু ওইগদবা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্ট্রেন্দিং অমদা খুৎয়েক পীখ্রে হায়না সেমি - ওফিসল ফার্ষ্ট ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।



এসোসিএসন ওফ হোমোজেনস পৱার ট্রেন্দ ইন্দষ্ট্রিজ এন্দ পার্টস মেন্যুফেকচরর্সকী প্রসিডেন্ট মোহামেদ্রাজা নজাব ফি মানেসকী ৱারোল পল্লদুনা ফার্ষ্ট ন্যুজ এজেন্সিনা হায়, রসিয়া অসি ইরানগী গাড়ীশিংগী কষ্টমরশিংগী মনুংদা অমনি।

নজাব ফি মানেসনা হায়খি, ইরাননা ভেনেজ্বেলাদা গাড়ী ১০০০ এক্সপোর্ট তৌখ্রে। মতুং তাবদসু সাউথ অমেরিকাগী লৈবাক অসিনা গাড়ীগী অহেনবা ওর্দরশিং পীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

মহাক্না হায়খি, রসিয়া অমসুং ভেনেজ্বেলা অসি ইরানগী কারশিংগীদমক্তদি অফবা মার্কেট অনীনি। ইরাননা গাড়ী এক্সপোর্ট তৌবদা মালেমগী ওইনা ষ্টেটস অমা এচিব তৌবা ঙমগনি। ইরাননা মমাঙদা আর্মেনেয়া অমসুং অজরবৈজানদসু কার কয়া এক্সপোর্ট তৌখ্রে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। হন্দক্তা য়ু এন ঐচ আর সিগী রিজোলূসন অমনা প্রপোজ তৌখিবা পোলিটিকেল ইথিল য়াওবা ফেক্ট-ফাইন্দিং মিশনদা টেহরাননা কো ওপরেসন পীরোই হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্স পার্সন নাসেল কানানিনা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসল ন্যুজ এজেন্সি ইর্নাগী মতুং ইন্না কানানিনা ৱাফম অসি শগোলশেল নুমিত্তা য়ু এন ঐচ আর সিগী মীফমদা এন্টি-টেহরান রিজোলুসন অমা য়ানখিবগী পাউখুম ওইনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা চয়োলগী ওইবা প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখিবনি।

য়ু এন ঐচ আর সিগী মীফম অদু ইরানদা হন্দক্তা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী মতাংদা খন্ননবা জমর্নি অমসুং আইসলেন্দনা হায়জবদগী পাঙথোকখিবনি। ইরানিয়ন গভর্ণমেন্টনা এক্সপার্টশিং, জুরিষ্ট মীয়ামগী ওফিসল অমসুং অন-ওফিসলশিং রিপ্রজেন্টেটিবশিং য়াওবা নেসনেল কম্মিটি অমা ইরানিয়ন গভর্ণমেন্টনা লিংখৎখ্রবনি। হন্দক্তা থোকখিবা থৌদোকশিং ইস্লামিক রিপব্লিক অসিনা মপুং ফানা থিজিন হুমজিল্লিবনি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ইরানিয়ন গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং অসিনা লৈবাক অসি য়াম্না মরু ওইবা নেসনেল রেস্পোন্সিবিলিটি খঙনা মথৌ পাঙথোক্লবগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ হায়বসি উৎলি হায়নসু কানানিনা ফোঙদোকখি।

# স্বিদেনগী ন্যুক্লিয়র রিএক্টর শেমজিন্নবগীদমক গ্রিদতগী লৌথোক্লগনি



ষ্টোকহোল্ম, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
শেমজিন শাজিন্নবগীদমক স্বিদেনগী খ্বাইদগী চাওবা ন্যুক্লিয়র রিএক্টর মথং চয়োলদা গ্রিদতগী লৌথোক্লগনি হায়রি।

ইলেক্ট্রিসিটিগী মমল নিংথম থা চঙলকপা অসিনা হায়নিংঙাই লৈতনা ৱাংখিবগা লোয়ননা খোঙথাং অসি লাকপনি। লৈবাক অসিবু খা নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা কোকারসাম ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্টকী রিএক্টর ৩ দিসেম্বর ৯ দগী দিস্কনেক তৌরগনি হায়না স্বিদেনগী ন্যুক্লিয়র পৱার জেনরেটর (ও কে জি) না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

বেরা তৌবা জেনরেটর শেমজিল্লগনি হায়না ও কে জিনা ফোঙদোকখি। রিএক্টর অদু নুমিৎ মাপননি হায়বদি দিসেম্বর ১৮ ফাওবা শীজিন্নবা য়াররোই। মেক্সিমম আউটপোর্ট মেগাৱাট (এম দব্লিয়ু ১৪৫০) গী ওইবা ওকরসন ৩ অসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা বোইলিং ৱাটর রিএক্টর (বি দব্লিয়ু আর) শিংগী মনুংদা অমনি।

স্বেদিস রেদিএসন সেফতি ওথোরিটিগী মতুং ইন্না ন্যুক্লিয়র রিএক্টর কয়া কুমজা ২০১৭ দগী ২০২০ ফাওবগী মনুংদা দি কম্মিসন তৌখি। খোঙথাং অসিগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা লমদমশিংদা ইলেক্ট্রিসিটিগী মমলশিংদা লৈরিবা খেন্নবা হেনগৎলকখি। হন্দক্তা লৈবাক অসিগী খা থংবা লমদমদা ইলেক্ট্রিসিটিগী মমল ৱাংখৎলক্তুনা স্বেদিস ক্রাউন্ট ৮ গী ময়া নকখি।

ষ্টেটেষ্টিক স্বিদেনগী ফিগরনা উৎলি মদুদি ইলেক্ট্রিসিটিগী মমলশিং মমাঙগী চহীগী ওক্তোবরগা চাংদম্নবদা হন্দক্কী ওক্তোবরদা চাংচৎতা চাদা ২৫.৬ হেনগৎলকখি। হৌখিবা ওগষ্টকী অরোইবা শরুক্তা ও কে জিনা লৈবাক অসিগী খা নোংচুপ থংবদা লৈরিবা রিংহালস ৪ কৌবা অতোপ্পা রিএক্টর অমসু প্রেসর বেসেল শোকপদগী থা কয়া মথৌ তৌবা ঙম্লরোই হায়না লাউথোকখি।

মেগাৱাট ১,১৩০ পুথোকপা ঙম্বা রিএক্টর অসিনা মথৌ লেপ্লিবদু কুমজা ২০২৩ গী জনুৱারী ৩১ ফাওবা ওইবা য়াই হায়রি।

# দ্যেরি ৱার্কর পটেল শিখ্রবা মতুংদা ন্যু জিলেন্দদা অতোপ্পা ইন্দিয়ন ওরিজিন রিটেল্লর অমগী ষ্টোরদসু এটেক তৌখ্রে

ৱেলিংতন, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
হৌখিবা চয়োলদা ওক্লেনদা দ্যেরি ৱার্কর জায়েস পটেলবু থাংনা থীন্দুনা হাৎখ্রবা মতুংদা ন্যু জিলেন্দদা লৈবা ইন্দিয়াদগী হৌখিবা ষ্টোর ওর্নর অমা টার্গেট তৌখিবগা লোয়ননা মহাক্কী ষ্টাফতা নহা ওইরিবা মীওই মরিনা এটেক তৌখ্রে হায়রি।

কিনিংঙাই ওইরবা খুৎলায় য়াওবা রোবরিগী থৌদোক অমগা মরী লৈননা হামিল্টনদা লৈবা বেব ষ্টোর ওর্নর সিদু নারেসনা হায়খি, মদুদি খঙহৌদনা নহা মরি চঙলক্লগা ষ্টাফ ৱার্কর অমা লৈমায়দা খুরুখুদক কুলহনখি অমসুং মহাক্কী মঙকশমদা থাং থমখি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা এন জেদ হেরালগী রিপোর্টতা পনখি।

নরেসনা হায়খি, মহাক্কী ষ্টোল অদু হৌখিবা চয়োলদা নহা ওইরিবা মীওই মরিনা খুৎলায় শীজিন্নদুনা এটেক তৌখি। হুরান চিন্থি তৌবা কাঙবুশিংনা অদুম্না ষ্টোর অদুদা এটেক চথরক্লিবদু মদুনা অহানবা নত্তে। নহাশিং অদু লাক্লগা অউবা পোৎচৈ পুম্নমক থুগায়খি অমদি মখোয়না শেল অমদি মমল য়াম্লবা পোৎচৈশিং পুদুনা চৎখি। পাউচে অদুনা নরেসকী ৱারোল পল্লদুনা হায়রি, মদুদি ওফেন্দরশিং অদুবু থিংনবা হোৎনখিবা কুরিয়র অমা রেইদ অদুদা অশোক অপন নঙখি। য়ামদ্রবদা ন্যু জিলেন্দগী দোল্লর ৪০০ কেস ওইনা মখোয়না হুদুনা পুখি। হুরান চিন্থি তৌবা নহাশিংদু চহী ১৬ তগী হেল্লহল্লোইদবশিংনি হায়না মহাক্কী ষ্টাফনা মঙোন্দা ফোঙদোকখি।